থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লোকদাউন মখা শমথবা নৎত্রগা শমথদবা

নুমিৎ ২১ চূপ্পা ইন্দিয়া পূম্বগী য়াল্লবা মীয়ামসি ময়ূম ময়ূমদা ছো লোনশিন্দুনা থম্বগুম্না থমখিবা, লোকদাউন তৌখিবদগী অৱাবই চৈথেং খম থেংলকপা, লৈঙাকপশিংসু তৌফম খঙলক্তবা, লৈবাক্কী ইকোনোমিসু মখৈ ফংনা শোকচিল্লকপা - পূম্নমকসিদগী হৌজিক্তি সিরিয়স ওইনা খন্নরক্লে... প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবা মতুংইন্না নুমিৎ ২১নি চূপ্পা চথরক্লিবা লোকদাউন অসি এপ্রিল ১৪দা লোইরবা মতুংদা অমুক মখা শাংথরকখিগদ্রা নৎত্রগা চথররোইদ্রা?

চৈনাসিগী চৈথেংদি নোংমগী চরা তাল্লগা চাবা, নোংমা থবক শূহৌদবদা চাকখুমগী মৈ থাগৎলোইদৌরিবা, লায়রবই লাইনা নৈবীরিবা শিন্নী মখোয় ময়ামদুনি শাফু কন্না ফংলিবা। মখোয়দনা খরা হেন্না চৈনা ফংই হায়বই ৱানি। কোরোনাগী লোকদাউন'না য়ৈদবা কনাবু য়াওরমগদগে ! মণিপুরগী সী এম'না রিপব্লিক-টিভি-ইন্টরভিয়ু'দা লোকদাউন অসি মখা তানা নুমিৎ তরামরি-মঙানি শাংদোকহন্নীংবগী অপাম্বা মহাক্কীসু লৈ হায়বদু তারুবদা হান্নদই ৱাংদুনা লৈরবা ব্লদ-প্রেসর অসি অমুক খংৱাং ৱাংখৎলমদৌ' মাল্লুরে। মরমদি, চাবা ফংলোই হায়বই নত্তে, মার্চ থাগী অরোইবদা থোল্লক্কনি তৌরম্বা, এয়র সর্ভিস লেপখিবদগী থোল্লকপা য়াদা মহিসুর'দা লৈরিবী ইচানুপী অমদি মমান্নবী খরদুগী খল্লুবদনি। ইন্দিগোগী এপ্রিল ১৬, ৬ই-১৮৬ বেঙ্গলোর-ইম্ফাল সেক্টরগী টিকেট অমুক কক্লুরিবসি লোকদাউন এক্সটেন্দ তৌরক্লবদি অমুকসু অরেম্বা তাদৌরি। টিকেটকী পৈশা মাঙবদুদি অরায়বনি, কোন্না এদজষ্ট তৌন'নি, ৱারুনিংঙাই কৈসু লৈতে। লুরিবদি দাইবেটিসকী য়েক্লবা ওইরিবা টেন্সন'দুনি। মতিক চাবা-চাদবা, ইম্ফালগী ক্বারন্টিন সেন্টর অমদবু লৈর'দি টেন্সন'দুদি চৎখ্রনিদনা।

'সিনা 'ইচা মপান্দা মহৈ তল্লিবা' খরদুগী ইস্যুনি। মশীং য়াল্লবা মীয়ামগীদি হিংবা নৎত্রগা হিংদবগী ইস্যুনি। ঐখোয় পূম্নমক্কীদমক ৱাজ রিবা, লৈঙাক পায়রিবা লৈঙাকপশিংগীনা - 'লৈবাক্কী ইকোনোমি কনবা নৎত্রগা কোরোনাদগী মীয়াম কনবা' - অনীগী মরক্তা অমা খনবগী ইস্যু। পূম্নমক অরুবা ইস্যু ঙাক্তনি। হোৎপমখৈ হোৎনরম্লগা ইটালিগীদি - ঈজৎ -সম্মান-ইকোনোমি পূম্নমক তুংওইনরম্লগা 'ইটালিয়নশিংগী থৱায় কনব'রোমদা পূম্নমক্কী মায় ওনশিনখ্রে। ইন্দিয়ন ওইরুবা ঐখোয়দি হৌজিক লম্বী-লমফাঙ অমদা লেপ্লি - নুমিৎ ২১ চূপ্পা চথরিবা, ১৬নি শুজিল্লক্লবা লোকদাউন অসি শাংদোক্কদ্রা/শাংদোক্লোইদ্রা? হয়েং এপ্রিল তারিখ ১১, প্রাইম মিনিষ্টর'না ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ভিদিও কনফরেন্স তৌদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা অরোয়বা ৱারেপ লৌগনি। নেসনল টিভি চেনেলশিংগী পাউ মতুংইন্নদি অয়াম্বা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংনদি তঙাইফদনা নুমিৎ ১৪ (চয়োল অনী) গী মতম অমগা শাংদোকহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকই, শোয়দনা শাংদোরক্কদবা মাল্লি ফোঙদোকই। ওদিষাগী ওইনা 'শোয়দনা শাংদোকহল্লগনি' লাউথোকখ্রে। ঐখোয়গী সী এম বিরেন'গী খূৎলাওথোক অসিদি 'অশেংবা দিক্ল্যারেসন অমনি' লৌরুবা য়াদ্রি। মণিপুরগী মপান্দা চৎখ্রগা পন্দুনা লৈখ্রিবা মীওইশিং, তোঙান-তোঙানবা সহরশিংদা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিং, য়ূমদা থোকচরকপা য়ানবা, নুমিৎ নীনিগুম্বদং এরোপ্লেন সর্ভিস লৈহন্নবা দাইরেক্টর জেনরেল ওফ সিভিল এভিয়েসন'দা হায়জখ্রি - হায়বা ৱাহৈ অমা য়াওবসিনা, 'নুমিৎ নীনিগী রিলেক্সেসন পীরগা অতোপ্পা নুমিৎ তরামরি লোকদাউন তৌবদা মণিপুর ষ্টেটকীসু অয়াবা পীরে' হায়না লৌবা ফাওবদি য়াবজাৎনি। অদুবু, ঐখোয়গী ষ্টেটখক্কী য়েংলগা, মহারাষ্ট্র-কর্ণাটকা-টামিল নাদু-তেলঙ্গানা-পঞ্জাব-হরিয়ানা-দিল্লি-য়ু পি-বেঙ্গল-অসামনচিংবদা 'নুমিৎ নীনিখক্তংদি লোকদাউন রিলেক্স তৌসি' হায়রুবা, য়ারক্কনি থাজদে। দিল্লিগী 'নিজাম্মুদ্দি মর্কজ'দা পাঙথোকপা নুমিৎ মরিনিগী 'তবলিঘি জমাট-রিলিজিয়স কনফরেন্স', দিল্লিগী সেন্ত্রেল অমদি লোকল লৈঙাক অনীনা শেন্নহৌদবা মীকূপ খরদুনা থোকহল্লিবা 'লাকশিনবা ৱারবা খুদোংথীবা তানফম' অসিদা খূৎ থিল্লক্কনি।

থেঙনা ৱাখল তারক্লবসু ঙন্না এক্সন লৌখিবা মোদিগী 'লোকদাউন দিক্ল্যারেসন' না কোভিদ-১৯ গী তমথীবা শক্লোন অদু ইন্দিয়াদা উৎপা ঙমদবনি - পূম্নমক্কা ঙাঙনরবসু, অহানবা-অনীশুবা-অহুমশুবা কেস অদুদগী মথং মথং শন্দোরকপই মওং, অমেরিকাগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা, ইন্দিয়াগীসু য়েংহৈদবা শক্তম অদু মে থাগী লোইশিল্লকপদা শোয়দনা উবা ফংল'নি - এক্সপার্টশিংনা হায়বনি। মিপাইনীংঙাই ওইবা অসিগুম্বা ষ্টেটমেন্টসি য়ারিবমখৈ পীগনু, আশাগী মঙাল পীবা ৱাহৈতমক শীজি ন্নৌ - ওজা গুরুশিংনা তাকপীখি। অদুবু, লৈবাক্কী লুরবা তানফমদদি 'প্রিপ্যার ফোর দ ৱোর্স' (খ্বাইদই ফত্তবা পুঙফমদুগীদমক শেম শাও) হায়নবসু লৈবনি।

থা অমা শুজিল্লক্লবা ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯ এক্সপরিয়েন্স'সু সেয়র তৌমীন্নরে, য়ুরোপ-অমেরিকা'না শোয়না থাংখিবা খোঙথাংদুগী মহয়সু শং-শং উরে মীৎসিনা, পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইরবা চাইনিজশিংগী ৱারীসু তারে। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অহানবা কোরোনাভাইরস ভিক্তিমসু মায় পাক্লা লায়েংলে। নিজাম্মুদ্দিন' মর্কজদগী কোভিদ-১৯ হকথেংনরকপা নুপাদুসু মরুপ-মপাং-খঙন-চান্নবদা শন্দোল্লম্বদি হায়রুনু, ইমুং-মনুংগী মী তরামাথোইদুফাও লানশিল্লমদে। অসুক য়াম্না পাঙথোল্লককপা চাংয়েংসিদবু অমাফাওবা পোজিটিভ ওইরমদবা-খূৎলায় মতিক চাদবরা, লেবোরেটরি টেক্নিসিয়নশিংনা হৈতবরা... অমদি শোয়দনা ওইরম্লনি! ফাগি ওইনফাও ঙাঙনরবনি। অদু ওইরবদি ঐখোয়গীসু, লোকল এক্সপার্ট ময়ামগা তানরগা ষ্টেটসিগী ওইবা ফিরেপ অমা লৌবা করি কায়বগে? মপান্দগী কোভিদ-১৯না নারবা অনাবা অমা মণিপুরদা চঙলক্লগা ঐখোয়দা শন্দোক্লবা নত্তনা, হৌজিকমক্কী ওইনদি মণিপুরদা কোরোনাভাইরসকী অকিবা লৈত্রে হায়না লৌবা ফাওবা য়ারবনি হৌজিক্তি। মালেম পূম্বনা লৌনরিবা চেকশিন থৌরাং মখা তানা অদুম লৌরগা, হায়বদি অনৌবা পুন্সি মহিং অমদা হিংলগা, ষ্টেট মনুংসিগী ওইনা লোকদাউন লৈররোই, মপান্দগী নৌনা থুংলবা মীশিংগী ওইনদি, মালেমগী পান্দেমিক দিজিজ অসি মুৎত্রিফাও হান্নগী হান্না অথিংবশিং মখা চথখিগনি হায়না লাউথোকপীবনা হেন্না ফবা থৌশিল ওইগনি হায়বসি রাসনেল মাইন্দেদ ওইবশিংগী মত ওইগনি। কোভিদ-১৯গী এৱ্যারনেসতগী লেম্না ফংবা চেঙ কেজি খরদুনা হেন্না মরু ওইরকপসিনি খ্বাইদই খুদোংথীবসি।

## রিমসতা ভেন্টিলেটর মতিক চানা লৈরে, মীয়াম্না পাখৎনিংঙাই ওইদ্রে : অরুন

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস) :

চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা রিমসতা হাংদোকখিবা দেদিকেটেদ কোবিদ ব্লোককী ইন্টেনসিভ ক্যের য়ুনিটতা অনৌবা এদভান্স ওইরবা ভেন্টিলেটর ১৫ মপুংফানা ইন্সটোলেসন তৌখ্রে। আইসোলেসন ৱার্দতা ভেন্টিলেটর ৪ লৈরি। পুন্না দেদিকেটেদ কোবিদ ব্লোককী ওইনা ভেন্টিলেটর ১৯ লৈরে। মসিগী মথক্তা হান্নগী রিমসকী ওইনা ভেন্টিলেটর ১৯ লৈরি। চহী নৌরিবা অঙাংশিংগী ওইনা ৫ লৈরে অদুগা অনৌবা ৩ অমগা লাকখ্রে। মরম অদুনা হৌজিক্কী ওইনা ভেন্টিলেটরগী ওইনা অৱাবদি লৈররোই খল্লি হায়না পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমদা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী মেদিকেল সুপরিটেন্দেন্ট সী ঐচ অরুননা ফোঙদোকখ্রে।

রিমসতা কোবিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা হৌজিক-হৌজিক আইসোলেসন ৱার্দতা থমদুনা লায়েংলিবা পেসেন্টগী হকচাংগী ফীভম ফগৎলে। ঙসি ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না সুগরগী চাং ৫০০ লৈরম্বা অদু ২৯০দা লৈরে। কোবিদ-১৯গী ওইনসু থাবা য়াবা হীদাকশিং থাখ্রে। মরম অদুনা অমুক হন্না কোবিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরিব্রা নত্রগা নেগেটিভ ওইরব্রা হায়না টেষ্ট তৌরগনি হায়খি।

কোবিদ-১৯ লাইয়েংবদা দোক্তরশিংনা তঙাইফনা মথৌ তারিবা পি পি ই মরাং কায়না লাকখ্রে। এন-৯৫ মাক্স ৫০০০, থ্রি লেয়র মাক্স লাক্ষ অমগা লিশিং তরা ষ্টোকতা লৈরে। কোবিদ-১৯ লায়েংবদা শীজিন্নরিবা হীদাক হাইদ্রোক্সিক্লোরোক্বিন ৫০০০ লৈরি। মরম অদুনা লৈবাক মীয়াম্না হৌজিক্কী ওইনা লায়না অসি লাইয়েংনবগীদমক তঙাইফদবা পোৎলমশিং মরাং কায়না লৈবনা থোইদোক্লা পাখৎনিংঙাই লৈতে। মরম অদুনা লৈবাক মীয়াম্নসু লায়না অসি শন্দোরক্তনবা য়ূম-য়ূমদা মতম খরদি লেংদনা লৈবিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি। কোবিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লায়েংলিবা মীওইনা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং অমদি মহাক্লা চাবা-থকপদা শীজিন্নরিবা পোৎশক খুদিংমক বাইওমেদিকেল ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট তৌদুনা য়াম্না চেকশিন্না দিসপোজ তৌরি হায়নসু মহাক্লা পাউগী মীফম অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি। পাউগী মীফম অদুদা রিমসকী দিরেক্টর এ শান্ত অমদি দা. গৌটমসু শরুক য়াখি।

## য়ুমথোঙ খূদিংদা চান-থক্লবা পোৎলম ফংহন্নবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯(ঐচ এন এস):

মণিপুরগী য়ুমথোঙ খূদিংমক্তা রসন কার্দ পায়বা পায়দবা থিদনা অতাবা মমলদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংহন্নবগীদমক লৈঙাক্লা থবক লৌখৎনবা মণিপুরগী গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীদুনা তকশিনখ্রে হায়না ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি খোমদ্রাম গ্যানেশ্বরনা ফোঙদোরক্লি।

খোমদ্রাম গ্যানেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ থেংননবগীদমক চখ্রিবা লোকদাউননা মরম ওইরগা মণিপুরগী মীয়ামদা চাউনা অৱাবা মায়োক্লরি। মীয়ামগী অৱাবসি খরদং ওইরবসু কোকহন্নবা য়ুমথোঙ খূদিংদা রসন কার্দ পায়বা পায়দবা থিদনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা গভর্ণর অমসুং সী এমদা মেমোরেন্দম পীদুনা তকশিনখিবনি। লোকল ক্লবশিং, গ্রাম পঞ্চায়টশিং অমদি লূপ কয়ানা মফম কয়াদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্লিবা অসি লৈঙাক্লা খঙবীফম থোকই। লোকদাউনগী কাঙলোন ঙাক্লবা লাউরগা লম্বীদা থোরকপা মীওইশিং ফাবনচিংবা অসিনা য়ারোই। কোভিদ-১৯ থেংনবা হায়বসি মীপুম খূদিংমক্কী তৌফদ্রবা থবকনি। অৱাবা খাংমিন্নগদবনি। লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থবকশিংদা কোওপরেসন পীগদবনি। অদুবু চানবা লৈত্রবা মীয়াম্না কয়াম কুইনা য়ুমদগী থোক্তনা লৈগদৌরিবনো। চানবা লৈরত্ত্রবা মীয়ামগী অৱাবশিং অসি লৈঙাক্লা খঙবীফম থোকই। অতাবা মমলদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং চেঙ, হৱাই, থাউ, থুমনচিংবা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি। লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা মখোয়না লৌনিংবা মমলদা লৌদুনা পোৎ য়োল্লিবা অসি লৈঙাক্লা কন্ট্রোল তৌগদবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।০৪।২০২০ ইং,
ইরাই; শজিবুগী ১৮ নি পানবা ।

**মেষ :** হকচাং নুংঙাইবা, থৌনা লৈবনা থবক পাংবা, মরুপ মপাংনা ফনা শোন্নবা অমদি নীংবা থুংবা নুমিৎনি। অদুবু অনম তানবা অমদি হন্থবা লোয়নবদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** লন চাওখৎপা, হায়বা ঙাঙবা মীনা তানিংবা অমদি নক্লবশিংগী মতেং লৌবা য়াবা নুমিৎনি। অরিবা থবক পনগনি অমদি অফা অপুনগী লম্‌দা পেন্দবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** মরম চাদনা লন মাঙবা য়াবা লৈ অমদি মীতোপ্পা ইনশিনবা লৌবনা কাইনবা অমদি কিবা পোক্কনি। অদুবু অচুম্বনা মায় পাকপা শোয়দনা পুরক্কদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফত্তে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কর্কট :** শক-চু থোকপা ৱাৎতনবা নরল চেকশিল্লু অমদি ঙমনি ঙমলোই খঙদনা অনম তানগনু। মরুপ্পা হায়বা থাজরদি কান্নবা শোয়দনা ফংগনি। হুরানবদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**সিংহ :** পোরম য়াৎপা হৈত্রদি ইকায়বা নংবা য়াবা অমদি লন ময়েং তাবা য়াবা লৈ। অদুবু লাইবক ফবা অমদি মরুপ-মপাংনা চানবীবগী নুংঙাইবসু লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱা য়াম্না ঙাঙগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্যা :** লৌশিং অনৌবা ফংগনি, মরুপ-মপাংনসু লুনা তৌবী অমদি ইমুং-মনুং নুংশিননা লৈগনি। হকচাংসু নুংঙাইরে অমদি থবক্কী পোরমসু য়াৎপা ঙমজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** ঙসিসু হরাওবা নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা, থবক পাংবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা লৈগনি। অদুবু অরুবা মতাং লাকপদা লৌশিং ফকচনবগুম তৌগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃশ্চিক :** ইরায় লায়না ফবা ওইদে। অদুনা লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাবা নত্রগা অফবা লাইরিক পাবা কান্নগনি। নচা ননাইনা ৱারৌগনি অদুনা ঈংথনা লৈবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** য়েৎনবদা মায় পাকপা ৱাগনি অমদি নরলসু মীনা য়েংশিনবা লৈবনা থিজিনবা কনবগী মথৌ তাবা ঙসিসু লৈরি। শেল-থুমগী লম্‌দদি কান্নবা য়াম্না ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অনৌবা অশা লাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** অফা অপুন্নবা, লৌশিং ইথোক থোক্তবা অমদি নক্লবনা য়েংশিনবদি হান্নগুম লৈগনি। অদুবু কান্নবা পাউ তাবা অমদি অনিংবা থবক পাংবদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** ইমুং-মনুং ৱাখল তামিন্নবা ৱাৎপনা নরল মাঙনবগী মরম ওইগনি, পাইরক্কী লৌশিং শোল্লি অদুনা নাইতোম ৱারেপ লৌগনু। নথক থোংবা অমদি মরুপ্পা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


**মিন :** অঙম্বনা ঙসিসু চানবীগনি, পাংগে খনবা থবক্তা অকিবা লৈতনা চংশিনবা মায় পাক্কনি। অদুবু ফিংবা অমদি হোয়া ফবদি য়াদে। নোল্লুক্লা চৎপনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

লৌশিং পুক্কে

# হেপাটোমেগলি - ফিরাক চাউথোকপা-১

ফিরাক (লিভর) অসি ঐখোয়গী হকচাং মনুংগী খ্বাইদগী চাউবা কয়াৎনি। ফেটশিং দাইজেষ্ট তৌবা, চিনিবু গ্লাকোজেন ওইনা তুঙশিনবা, ইনফেক্সনশিংদগী ঙাকথোকপা, প্রোটিন অমসুং হোর্মোনশিং পুথোকপা, ব্লদ ক্লোট্টিং কন্ট্রোল তৌবা, হীদাক-লাংথকশিং অমদি হূ চেনবা পোৎলমশিংবু কায়থহনবা অসিনচিংবা হকচাং মনুংগী থবক থৌরমশিংদা ফিরাকনা মতেং পাংই।




ফিরাক অসি সর্জরি তৌরুবা মতুংদা মথন্তা অমুক চোংখৎচরকপা ঙম্বা অমত্তা ঙায়রবা ওর্গান অমসু ওইরি, মসিনা মরম ওইরগা লিভর দোনেসন তৌবদা ওইথোকহল্লি। লিভরগী মচেৎ অমা অতোপ্পা মীওইদা দোনেট তৌখ্রবা মতুংদা লৌথোকখ্রিবা শরুক অদু অমুক চোংখৎলক্তুনা হান্নগী চাংদা অমুক হঞ্জিল্লকই।

ফিরাক চাউথোরক্লবদি হকচাংদা লৈরম্বা য়াবা অনাবশিংদি ফিরাককী লায়না অমা, কেন্সর (খুদম ওইনা ল্যুকেমিয়াগুম্বা), জিনেটিক দিজিজ, হার্ট অমসুং ঈগী উতোংদা অশোয়বা য়াওবা, ইনফেক্সন লৈবা, টোক্সিন পোইজনিং অসিনচিংবশিংনি।

হেপাটোমেগলি থোকহনবা সিম্পটোম কয়ামরুমনা লিভরগী তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল হন্থহল্লি।

**ফিরাক চাউথোকপগী খুদম অমদি লাইওংশিং**

মশা মথন্তা ফিরাক চাউথোরকপা ওইরগদি সিম্পটোম অমত্তা উৎলক্তবা য়াই। করিগুম্বা হকচাং মনুংগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা চাউথোকপা ওইরগদি মখাদা পীরিবা সিম্পটোমশিং অসি উৎলকপা য়াই, মখোয়শিং অদুদি:

জোন্দিস, নৎত্রগা উনশা অমদি মীৎতা নাপু কাবা; মসল চীকপা; চোকথবা; হাক্কচবা; ওনীংবা; ওবা; পূক নাবা নৎত্রগা পূক্তা মতূম লৈবা; অরাম-খৌরাংবগী চাং হন্থবা; খোঙ পোমখৎপা; ঈ অশিবা চঙদুনা খামতৎপা; হকচাংগী অৱম্বা হন্থবা; পূক চাউবগী চাং হেনগৎলকপা অসিনচিংবশিংনি।

হায়রিবা সিম্পটোমশিং অসি লৈরগসু ঐখোয় ইশানা হেক্তা ফিরাক চাউথোক্লে হায়না খনবদি য়াদে, দোক্টর অমনা য়েংলগা লেপকদবনি। চিংনবা নৎত্রগা নুংঙাইতবা লৈরগদি দোক্টরদা তান্নগদবনি।

পূক্তা য়াম্না কন্না নাবা; জোন্দিস অমসুং লাইহৌ; ওবদা ঈ য়াওবা; নীংশা চনীং চমাঙ শম্নদবা; খোঙ হাম্বদা অমুবা নৎত্রগা ঈ য়াওবা অসিনচিংবশিং তৌরগদি য়াম্না থুনা হোস্পিটালদা চৎকদবনি।

**হেপাটোমেগলি করিনা থোকহনবগে?**

ফিরাক চাউথোরকপা (হেপাটোমেগলি) হায়বসি ফিরাক মনুংদা য়াওবা টিসুনা মথৌ নিংথিনা তৌদ্রে হায়বগী খুদম অমা ওইগল্লি। অকক্লবা হীদাক মখল খরা, খুদম ওইনা এমিওদারোন অমসুং ষ্টেটিন, শীজিন্নবনসু ফিরাক শোকহনবা য়াই।

**ফিরাক চাউথোকপগী থৌওং থোকহনবা তোয়না থেংনবা মরমশিংগী মনুংদা:**

মেটাষ্টেটিক কেন্সর, নৎত্রগনা অতোপ্পা ওর্গনশিংদগী নাবা হৌরগা ফিরাকতা লানশিল্লকপা কেন্সর;

নোনঅলকোহোলিক ফেট্টি লিভর দিজিজ (এন এ এফ এল দি), নৎত্রগনা য়ু থকপনদি থোকহনবা নত্তবদা ফিরাকতা ফেট তুংশিল্লকপা (পৈখৎলকপা)

থম্মোয় অমদি ঈ উতোংশিংদা অশোয়বা য়াওরকপা;

ফিরাককী কেন্সর, নৎত্রগনা ফিরাক মনুংদগী নাবা হৌরকপা কেন্সর;

সিরোসিস, নৎত্রগনা য়ুগুম্বা হূ চেনবা পোৎলমশিংনা মরম ওইরগা ফিরাক কা হেন্না শোকহল্লকপা;

ভাইরেল হেপাটাইটিস (মরুওইনা এ, বি নৎত্রগা সী), নৎত্রগনা ভাইরসনা থোকহনবা তোঙান তোঙানবা লিভর ইনফেক্সনশিং;

অলকোহোলিক লিভর দিজিজ, নৎত্রগনা ফেট্টি দিপোজিট, ইনফ্লেমেসন, অমদি স্কেরিংনচিংবা য়ু থকপদগী ওইরকপা তোঙান তোঙানবা মখলগী লিভর দেমেজ; অসিনচিংবশিং য়াওরি।

কঞ্জেষ্টিব হার্ট ফেলিয়রনসু হেপাটিক ভেনশিংদা ঈ মৌখৎলকপা য়াই। হেপাটিক ভেনশিং অসি লিভরদগী ঈ পুথোকখিনবা ঈ উতোংশিংনি। ঈ-উতোং অসি ফুঞ্জিনখিবদগী লিভরদা ঈ মৌখৎলক্তুনা চাউথোরকই। মসিবু কঞ্জেষ্টিব হেপাটোমেগলি কৌই।

**কয়া তোয়না থেংনগন্দবা হেপাটোমেগলি থোকহনবা মরমশিংগী মনুংদা:**

লিম্ফোমা, নৎত্রগনা লিম্ফেটিক সিষ্টেমদা ব্লদ কেন্সর তৌবা;

ল্যুকেমিয়া, নৎত্রগনা বোন মেরোদা তৌবা ব্লদ কেন্সর মখল অমা;

মল্টিপল মাইলোমা, নৎত্রগনা অক্লনা প্লাজমা সেলশিংদা নাবা বোন মেরোগী ব্লদ কেন্সর মখল অমা;

হেমোক্রোমাটোসিস, নৎত্রগনা লিভরদা আইরন পৈখৎলকপা;

ৱিলসন'স দিজিজ, নৎত্রগনা লিভরদা কোপ্পর পৈখৎলকপা;

গাউচর'স দিজিজ, নৎত্রগনা লিভরদা ফেট্টি সবষ্টেন্সশিং পৈখৎলকপগী ফিভম থোকহনবা দিসওর্দর অমা;

টোক্সিক হেপাটাইটিস, নৎত্রগনা কেমিকেল পোইজনিংনা থোকহনবা লিভর ইনফ্লেমেসন;

বাইল দক্ট নৎত্রগা গোলব্লাদর ওবষ্ট্রক্সন, নৎত্রগনা লিভর মনুংদা বাইল মৌখৎলকপা অমসুং ইনফ্লেমেসন তৌবা;


হেপাটিক সিষ্ট, নৎত্রগনা মরম কয়ামরুমদগী লিভর মনুংদা মহী য়াওবা খাউ মচা মচা লৈরকপা; অসিনচিংবশিং য়াওরি।

মমি ৱারী

# চেরাপুঞ্জি, মেঘালয়া

*তুশার নোংথোম্বম*







*Tushar Nongthombam is a lifestyle and landscape photographer.*